# মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ নিংশিং ফুটবোল এস এ কে অমদি ৱাই ও এস সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসেসিয়েসননা শিন্দুনা অবা গ্রাউন্দ, ক্ষেত্রিগাউদা চত্থরিবা মহারাজ কুমার ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা এস এ কে য়ুম্নাম খুনৌনা দি ও এ কে অন্দ্রোবু গোল ৩–০দা অমদি অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱাই ও এস সি খুরাই কোন্সম লৈকায়না য়ু এস এ খুরাইবু গোল ১–০দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেটচ ওইনা দি ও এ কেগা এস এ কেগা লম্বা তৌনদুনা অহানবা শান্নখিবা মেটচ খরা হৈ–শিংবা হেনখিবা এস এ কেনা পানজল ৩–০দা দি ও এ কেবু মায়থিবা পিখিবনি।

মেটচ অদুদা এস এ কেগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী ৫শুবা মিনটতা বিতমকুমারনা গোল ১, ৩৬শুবা মিনটতা টি ঐচ অবোইনা গোল ১ অমদি ৩৭শুবা মিনটচা এন সঙ্করনা গোল ১গা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ১৩ অমদি ৬১শুবা মিনটতা দি ও এ কেগী এল জিবন অমদি দেনবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি। ৩১ অমদি ৫১শুবা মিনটতনা এস এ কেগী সমানন্দ অমদি রোমিবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুগী কমিস্নর এস জেমসকুমার, রেফরি ইনস্পেক্তরনা কে এস ঐচ মোধুচন্দ্র, রেফরি এম ইনাউ, এ আর–১ ই প্রেমজয়, এ আর–২ দল্লিয়ু স্প্রিংসন অমদি ফোর্থ রেফরিনা এস কেনেদিনা ওইখি।

গ্রাউন্দ অসিমক্তদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই ও এস সিগা য়ু এস এগা লম্বা চানা থেংনবদা ৱাই ও এস সিনা গোল ১–০দা য়ু এস এবু মায়থিবা পিখিবনি।

মেটচ অদুদা লম্বা তৌনখিবা নাকল অনিমক্কা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনিশুবা হাল্ফতা নাকল অনিমক্কা মাগী মাগী টিমনা মায় পাক্নবা অকনবা মওংদা এটেক্ট চত্থনখি। মদুদা ৱাই ও এস সিগী অজমির সাহনা মেটচকী ৭৯ শুবা মিনটতা পানজল ১ চন্দুনা মেটচ অদু মায় পাকখিবনি।

মেটচ অদুগী ২৩, ৫১, ৭০ অদি ৭৩শুবা মিনটশিংদা মথং সিংনা য়ু এস এগী সি ঐচ চিংলেন, গোভিন্দো, গাইজিন কামৈ অমদি ৱাই ও এস সিগী অজমির সাহবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদুগী কমিস্নর এস জেমসকুমার, রেফরি ইনস্পেক্তর কেএসঐচ মোধুচন্দ্র, রেফরি পি ঐচ লম্হোইবা, এ আর–১ ঐচ অমরজিৎ, এ আর–২ ৱাই ইঙোবি অমদি ফোর্থ রেফরি এ বোরেননা ওইখি।

# এন পট্টামা দেবী মেমোরিয়েল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট এলৱাইসিনা এসএৱাইসি (বি) বু মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ
ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ) না শীন্দুনা জিরিবামগী কলিমাই কাংশঙদা টিম ৭না শরুক য়াদুনা চত্থরক্লিবা ২০শুবা এন পট্টামা দেবী মেমোরিয়েল মেন্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসিগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ৱাইএলসি, দিবোং খুনৌনা এসএৱাইসি (বি) সোরোক অতিংবীবু পাঞ্জল ২১–১৬দা মায়থিবা পীদুনা ৱাইএলসি দিবোং খুনৌনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে অদুগা এসএৱাইসি (বি) সোরোক অতিংবীনা রন্নর্স অপ তাহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এসএৱাইসি (বি) সোরোক অতিংবী কাংখুৎনা তোচ ঙমদুনা মাইকৈ খনখি অদুগা ইচেল ক্লব দিবোংনা কাং কাপ্পা হৌখি। কাংখুৎ অনীমকনা কন্না শান্নখি অদুবু অরোইবা পুংজাদা ৱাইএলসি, দিবোং খুনৌ কাংখুৎনা এসএৱাইসি (বি) সোরোক অতিংবীবু পাঞ্জল ২১–১৬দা মায়থিবা পীদুনা ৱাইএলসি দিবোং খুনৌনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে অদুগা এসএৱাইসি (বি) সোরোক অতিংবীনা রন্নর্স অপ তাখি। ফাইনেল মেটচ অসিগী হায়েষ্ট চেকফৈদা ৱাইএলসি দিবোং খুনৌগী টি ঐচ রঞ্জন সিংহনা চেকফৈ ১৬ পান্দুনা প্রাইজ ফঙখি অদুগা হায়েষ্ট লমথানা টি ঐচ গুনাধোর সিংহনা লমথা ১৮ পান্দুনা প্রাইজ লৌখি।

ঙসি থৌরমগী চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নরনা মনা–মথুমশিং য়েন্থোকখি। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা টি ঐচ জগমাণি সিংহনা জর্জ ওইখি অদুগা কে ঐচ বসন্তা সিংহনা স্কোরর ওইখি।

লোইশিনখিবগী থৌরম অসিদা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়রপর্সন, এস শান্তি দেবীনা চিফ গেষ্ট, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ) গী ভাইস প্রসিদেন্ট এস মণিতোন সিংহনা প্রসিদেন্ট অমদি দোনর এন জয়চন্দ্র সিংহ না দাইসতা ফমখি। টুর্নামেন্ট অসি জিরিবামগী আই বি লৈকায়দা লৈবা এন জয়চন্দ্র সিংহ অমদি মহাক্কী ফেমিলিদা কৎচবা টুর্নামেন্টনি।

# এল ইতোমচা নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমোফানা কে পি এফ সি মায়থিবা পিখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা থা অসিগী ৩দগী টিম ৭না শরুক য়াদুনা মিনি ষ্টেদিয়ম বিষ্ণুপুরদা চত্থরিবা অহানবা এল ইতোমচা মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এ এম ও এফ এ মোইরাংনা কে পি এফ সি খা–পোৎশংবম্বু গোল ৩–২দা মায়থিবা পিখ্রে।

এ এম ও এফ এ অমদি কে পি এফ সি অনিনা লম্বা চানা থেংনখিবা ঙসিগী মেটচ অদুদা এ এম ও এফ এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচকী ২১ শুবা মিনটতা ঙম্পু কোম্না গোল ১, ৬৪শুবা মিনটতা বোইনা গোল ১ অমদি ৬৫শুবা মিনটতা মহেচোন্দনা গোল ১গা চনখি।

মায়থিহৌরবা কে পি এফ সিগী গোল ২ অদুনা মেটকী মিনট ৪৩ প্লস অমদি ৭৯দা মথংসিংনা সনাতোন অমদি রোবিন্দ্রোনা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ৪৫ প্লস, ৬০ অমদি ৯০দা এ এম ও এফ এগী অরিব, মহেচোন্দ অমদি ইঙোবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

অদুগা মেটচকী মিনট ২৯, ৫৭, ৬০, ৬২ অমদি ৮২দা কে পি এফ সিগী মথংসিংনা সুরচান্দ, সোনামনি, প্রেমজিৎ, লৈশেম্বা অমদি মোনিচান্দবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মমাংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়েলো কার্দ বুক তৌখ্রবা কে পি এফ সিগী জর্সি নম্বর ৮ সুরচান্দ ঙসিসু য়েলো কার্দ বুক তৌবদগী থা অসিগী ২৩দা শান্নগদবা মেটচতা য়াওবা য়াদবগী অথিংবা থমখ্রে।

# ১৮শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ নিংশিং ফুটবোল এন সি ক্লব অমদি বি এম এস সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা টিম ৭না শরুক য়াদুনা এস কে ৱাই সি গ্রাউন্দ অৱাং সেকমাইদা চত্থরিবা ১৮শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এন সি ক্লব খোঙহাম্পাটনা সি ঐচ আই কে এল লিলোং চজিংবু গোল ৪–১দা অমদি অনিশুবা মেটচতা বি এম এস সি তাউবুং খোক্না ৱাই দল্লিয়ু সি মালোমবু গোল ৩–১দা থোইখ্রে।

এল ইবোহলনা মেটচ কমিস্নর, কেঐচ রনজিৎনা রেফরি, এল গোকুলনন্দনা এ আর–১, সন্তোসনা এ আর–২ অমদি পি রাজেসনা ফোর্থ রেফরি ওইদুনা শান্নখিবা অহানবা মেটচ অদুদা এন সি ক্লবকা সি ঐচ আই কে এলগা লম্বা তৌনবদা এন সি ক্লবনা গোল ৪–১দা সি ঐচ আই কে এলবু মায়থিবা পিখি।

মেটচ অদুদা এন সি ক্লবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ৱাই হেম্বনা মেটচকী ১২ অমদি ৫৯শুবা মিনটতা গোল ২, এন জি নাউচানা ২৪শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি এল খেলেম্বনা ৫১শুবা মিনটতা গোল ১গা চনখি।

মায়থিহৌরবা সি ঐচ আই কে এলগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদুনা মেটচকী ৫০শুবা মিনটতা এস ঐচ নেত্রজিৎনা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ৩৩, ৬৯ অমদি ৮০প্ল ৪দা মথংসিংনা সি ঐচ আই কে এলগী এল প্রেমকান্ত, এস রিবাইন্দর অমদি এন সি ক্লবকী আর কে সুশিলবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

এল ইবোহলনা মেটচ কমিস্নর, এ দিলিপনা রেফরি, এস তোম্বীনা এ আর–১, এল সান্তানা এ আর–২ অমদি এল অজিৎনা ফোর্থ রেফরি ওইদুনা অনিশুবা মেটচতা বি এম এস সিগা ৱাই দল্লিয়ু সিগা লম্বা তৌনবদা বি এম এস সিনা গোল ৩–১দা মায়থিবা পিখিবনি।

মেটচ অদুদা বি এম এস সিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টিঐচ বোনার্দনা মেটচকী ২শুবা মিনটতা গোল ১, এল সনাথোইনা ২৫শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি টি ধিরেননা ৪০ প্লস ১দা গোল ১গা চনখি।

মায়থিহৌরবা ৱাই দল্লিয়ু সিগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদুনা ৭৪শুবা মিনটতা এল মনিনা চনখি।

মেটচ অদুগী ১০, ৭০ অমদি ৭৮শুবা মিনটতা বি এম এস সিগী মথংসিংনা কে ঐচ অমর্জিৎ, ৱাই জয়সনা অমদি টি ধিরেনবু রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

# ৫শুবা আইএসকেএফ ওপন নেসনেল করাটি চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েল তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ
থা অসিগী ১৪দগী ১৬ ফাওবা গুৱাহাটিদা ৫শুবা আইএসকেএফ ওপন নেসনেল করাটি চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিংবু ওল মণিপুর তোকুকাই করাটি দো এসোসিয়েসন, কাঞ্চিপুরনা ঙসি চন্না পাঙথোকপা থৌরম অমদা তরাম্না ওকখ্রে।



সব–জুনিয়র (কেজি ৪৫) কেতেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রবা য়োহেন নাওরেম

টুর্নামেন্ট অসিদা মেডল ফঙলক্রবা শান্নরোইশিংদি সব–জুনিয়র (কেজি৩০) চহি ৮দগী ৯ ফাওবগী কেতেগোরিদা ইরেংবম ঙাম্থোইবনা গোল্ড মেডল লৌরকখি।

সব–জুনিয়র (কেজি ৪৫) চহি ১২দগী ১৩ ফাওবগী কেতেগোরিদা য়োহেন নাওরেম্না গোল্ড মেডল লৌরকখি।

সেনিয়র মেন্স (কেজি –৫০) চহি ১৮ মথক্কী কেতেগোরিদা বালকৃষ্ণ য়ুম্নাম্না গোল্ড মেডল লৌরকখি।

সেনিয়র ৱুমেন্স (কেজি –৫০) চহি ১৮ মথক্কী কেতেগোরিদা এন বৃন্দালি দেবীনা সিলভর মেডল লৌরকখি।

গোজু রুগী এসিষ্টেন্ট চিফ ইন্সট্রক্টর অমসুং এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী ওইনা থৌপুরিবা লাইময়ুম জোতিনকুমার শর্ম্মা অমসুং ওফিসিয়েল ওইনা পুরিবা এল সুরজিট সিংহ অনীনা মেডল ফঙখ্রবা শান্নরোই মরি য়াওনা শান্নরোই ৮গী টিম লুচিংলগা চৎখিবনি।

ওকপগী থৌরম অসি ওল মণিপুর তোকুকাই করাটি দো এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিং, শান্নরোইশিংগী পেরেন্টস অমসুং শান্নরোইশিংবু নুংশিবিবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

## এআইএফএপ 'দি' লাইসেন্স কোর্সকী ফল লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ
চহি অসিগী মমাং থাগী ১০দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন 'দি' লাইসেন্স কোর্সকী ফল লাউথোকখ্রে।

এআইএফএফ 'দি' লাইসেন্স কোর্স অসিদা পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিং অদুদি এম চিংশাংখোম্বা, এল সনজিব সিংহ, এল বসন্তা সিংহ, ঐচ অহমুন কোম, দব্লিউ প্রেমজিৎ সিংহ, টি প্রেমচান্দ শর্ম্মা, কে জেমস সিংহ, ঐচ নেপোলিয়ান সিংহ, টি ঐচ জয়চন্দ্র, এম জয়ানন্দা সিংহ, দব্লিউ রোসন, দব্লিউ অজিৎ সিংহ, এল মণিতোম্বী সিংহ, আই খেলেম্বা সিংহ, এম বিজেন সিংহ নি।

নাকল অমরোমদা প্রো পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিং অদুদি টি ঐচ সিতলজিৎ সিংহ, এল জেমস সিংহ, টি ঐচ বুংগো সিংহ, দব্লিউ সুরজ সিংহ অমদি টি ঐচ নাওতোন সিংহনি।

পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংনা অম্ফাগী ওফিসতগী সার্টিফিকেট লৌরবা য়াগনি হায়রি। মখা তারকপা ওইনা পাস তৌরবা কেন্দিদেটশিংনা এআইএফএফ কী ৱেবসাইট coaching.the-aiff.com দা চংলগা রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়রি।

# উর্জা সিএপিএফ চহি ১৯ মখাগী টেলেন্ট হন্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরগী নুপী টিম্না ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ঃ
ন্যু দিল্লিদা 'উর্জা' সিএপিএফ। অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা পাঙথোকপা চহি ১৯ মখাগী টেলেন্ট হন্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেলদা মণিপুরগী চহি ১৯ মখাগী নুপীগী টিম্না মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল ফঙখ্রে।

মণিপুরগী চহি ১৯ মখাগী টিম অসি হৌখিবা থাদা শিলোংদা পাঙথোকখিবা 'উর্জা' সিএপিএফ / অসাম রাইফলস টেলেন্ট হন্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী জোনেল ফেজদা চেম্পিয়ন ওইদুনা আই জি এ আর (সাউথ) কী চেকশিন মীয়েং মখাদা ৯ শুবা সেক্টর অসাম রাইফলসকী হেদ ক্বার্টরদা অনীশুবা অসাম রাইফলসনা ত্রেনিং পীখিবনি।

ঙরাং ন্যু দিল্লিদা শান্নখিবা নেসনেলগী থাক্কী ফাইনেল অদুদা মণিপুর অমসুং হারিয়ানা লম্বা তৌনবদা মণিপুরগী চহি ১৯ মখাগী নুপীমচাশিং অদুনা য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৫–১দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

মণিপুরগী মাইকৈদগী রঞ্জানানা ফাইনেল মেটচ অদুদা পাঞ্জল অনী চন্দুনা খ্বাইদগী ফজবগী মনা অদু ফঙবদা নত্তনা মহাক্কী টিম অদুবু টাইটল লৌনবা হোৎনবা য়াম্না চাওবা থৌদাং লৌখি।

মণিপুর টিমগী মাইকৈদগী পাঞ্জল অহুম চনখিবা অতোপ্পা শান্নরোই অহুম অদুদি এল রতনবালা, এ রোজা অমসুং রঞ্জিতা হুইদ্রোমনি।

ঙরাং ন্যু দিল্লিদা লোইশিনখিবা 'উর্জা' সিএপিএফ / অসাম রাইফলস টেলেন্ট হন্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ গী চেম্পিয়ন ওইরবা মণিপুরগী টিম অমসুং ফাইনেল মেটচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইদা সেন্টরগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফিয়র্স কিরন রিজিজুনা মনা য়েন্থোকখি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*